# অপোকপা মপা পুরগা কিলোমিটর ১২০০ সাইকল থৌখিবী বিহারগী নুপীমচা ট্রাইয়েলগীদমক কৌরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২১ (এজেন্সি)ঃ

গুরুগ্রামদগী বিহার ফাওবা নাদুনা লৈরিবা অপোকপা মপা পুরগা কিলোমিটর ১২০০ রোম সাইকল থৌরকখিবী বিহারগী নুপীমচা জ্যোতি কুমারীবু সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ট্রাইয়েল য়াওনবগীদমক বার্ত্তন তৌখ্রে।

মশাগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবী জ্যোতি কুমারী অমসুং মহাক্কী মপাগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা নেসনেলৱাইদ লোকদাউন লাওথোকখিবদগী গুরুগ্রামদা পন্দুনা লৈরকখিবনি। জ্যোতিনা নাদুনা লৈরিবা মহাক্কী মপাবু সাইকলগী রিয়র কেরিয়রদা ফমহন্দুনা মহাক্কী পোক্লফম লমদম বিহার ফাওবা সাইকল থৌদুনা লাকখি।

মপা-মচা অনীনা সাইকল থৌদুনা গুরুগ্রামদগী বিহার ফাওবা লাকপদা নুমিৎ ৭ নি চঙখি। অদুগা মসিগী অরাপ্পনা কিলোমিটর ১২০০ রোমনি হায়রি।

সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইনিদয়াগী চীয়রমেন ওনকার সিংহনা ফোঙদোকখিবদা ক্লাস আইট তন্নিবী জ্যোতি কুমারী ট্রাইয়েল পাস তৌরে, মহাক আই জি আই ষ্টেদিয়ম কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনেল সাইক্লিং একাদেমীদা ট্রেনি অমা ওইনা খল্লে হায়না ওনকার সিংহনা মখা তাখি।

নেসনেল সাইক্লিং একাদেমী অসি স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইনিদয়াগী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবনি। মফম অসি এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফেসিলিটি লৈবা অমনি। মরম অসিনা স্পোর্টস অসিগী ৱার্ল্ড বোদি য়ু সি আইনা রিকোগনাইজ তৌখ্রবনি।

ঐখোয়না নুপামচা অসিগা ঙসি অয়ুক্তা ৱারী শান্নদুনা লোকদাউন অসি লোয়খ্রবা মতুং মহাক মথং থাদা ন্যু দিল্লিদা লাক্নবা খঙহনখ্রে। মহাক্না দিল্লি ফাওবদা লাকপগী এক্সপেন্সেস, লোদজিং অমদি অতোপ্পা খরসু ফেদরেসন অসিনা পুথোক্কনি হায়না চীয়রমেন ওনকার সিংহনা মখা তাখি।

মহাক্না দিল্লি য়ৌনবা লাকপদা অতোপ্পা মীওই লোয়নরক্কবসু য়াগনি, মদুদা ঐখোয়না অয়াবা পীরি। ঐখোয়না বিহার ষ্টেট য়ুনিটকা ৱারী শান্নদুনা মহাকপু করম্না ট্রাইয়েল য়াওনবগী দিল্লিদা পুরক্কদে হায়বগী মতাংদা পাউ ফাওদোক্করি হায়না মহাক্না হায়খি।

ওনকার সিংহনা ফোঙদোকখিবদা জ্যোতি কুমারীবু ট্রাইয়েলদা য়াওহন্দুনা মহাক্কী মপাঙ্গল অমসুং ফিজিকেল এন্দুরেন্স অদু খঙবা পাম্মী। কিলোমিটর ১২০০ হেন্না সাইকলদা থৌবা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। মঙোন্দা পীথোরকপা মগুনশিং য়াওরি হায়না ওনকারনা ফোঙদোকখি।

জ্যোতি কুমারীবু একাদেমীদা লৈবা কম্প্যুটরাইজ সাইকলদা ঐখোয়না ফমহনবা পাম্মী। মহাক সেলেক্সনগী পেরামিটর ৭ নৎত্রগা নিপালদি শোয়দনা ফংলগনি হায়না থাজরি। মসিগী মতুংদা মহাক ট্রেনিশিংগী মনুং চল্লগনি, মহাক্কী মতম অদু হৌজিক্তি মাঙলরোই। সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈরবশিংসু থিদুনা লাক্লি হায়না ওনকার সিংহনা ফোঙদোকখি।

চহী গ্রূপ ১৪ দগী ১৫ ফাওবগীদা সাইক্লিষ্ট ১০ রোম একাদেমী অসিদা লৈরি। ঐখোয়না নহা ওইরিবা টেলেন্ট লৈরবা মীওইশিংবু শেমগৎনবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জ্যোতিগী মপা মোহন পাসৱান গুরগাওদা ওটোরিক্সো দ্রাইভর অমা ওইনা লৈরিবনি। মহাক মতম খরগী মমাঙদগী শোক্তুনা লৈরকখিবনি লোয়ননা লোকদাউন লৈশিনখিবদগী শেল থোকফম অমত্তা লৈখিদে। জ্যোতিগী মপানা ওটোরিক্সো অদু মপুদা পীথোকখ্রবনি।

মপা অমসুং মচানুপীনা মখোয়গী অরৈবা পৈশানা সাইকল অমা লৈরবা মতুং মে ১০ দগী গুরগাওদগী মখোয়গী মরমদম বিহারগীদমক খোঙশাল্লকখিবনি। মখোয়গী খূঙ্গং অদুদা মখোয় মে ১৬ তা হৌরকখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ব্রিজ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা এসিয়ান গোল্ড মেদালিষ্ট বর্ধান অমসুং বদুরিবু অর্জুনা এৱার্দকী নোমিনেট তৌখ্রে



কোলকটা, মে ২১ (এজেন্সি)ঃ

এসিয়ান গেমস গোল্ড মেদালষ্টি সিবনাথ সরকার বদুরি অমসুং প্রনাথ বর্ধানবু লৈবাক অসিগী ব্রিজ মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ব্রিজ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অর্জুনা এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখ্রে। বর্ধান অমসুং বদুরিনা ২০১৮ দা ইন্দোনিসিয়াগী জরকাটাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসকী ব্রিজ ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌদুনা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চহী য়াল্লবা শান্নরোইনা গোল্ড মেদল লৌবা ওইখি।

জাদপুরদা লৈরিবা মশাগী চহী ৬২ শুরবা প্রনাব বর্ধাননা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, মমাঙগী চহীদা অশোয়বা খরা লৈবদগী এৱার্দ অসিগী নোমিনেট তৌবদা ঐখোয়গী মিং য়াওখিদে মসিগীদমক ঐখোয়না মতম শাঙনদগী ঙায়দুনা লাক্লি। লোয়ননা চহী অসিদা এৱার্দ অসি ঐখোয়না ফঙদুনা লৈবাক অসিদা মশান্না অসি হেন্না মপুং ফাবা মপাঙ্গল কনবা মশান্না অমা ওইরকপদা মতেং পাঙগনি খল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

শান্নরোই অনী অসি ব্রিজ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা এৱার্দ অসিগীদমক থাজিন্নবা মরিলৈন্নবা ফোমেলিটিশিং নুমিৎ নীনিগী মনুংদা লোয়শিন্নবা গভর্ণিং বোদি অসিনা খঙহনখিবগা লোয়ননা এৱার্দ অসিগী নোমিনেসন তৌবগী থাজিনলকপগী অরোয়বা মতম অসি জুন ৩ দনি।

বর্ধান অমসুং বদুরিনা হৌখিবা চহী ২০ হেন্না ব্রিজ মশান্না অসি শান্নদুনা লাক্লি। বর্ধাননা হায়, ঐগী পূন্সিগী অয়াম্বা শরুক মশান্না অসিদা কখোক্তুনা লাক্লি। অহানবদাদি মশান্না অসি শান্নবা হৌরকপদা মীয়াম্না প্লিয়িং কার্দ শানৈ হায়দুনা তাথি তাওইনা তৌবিখি অদুবু ২০১৮ গী এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল ফঙখিবা অদুনা পূম্নমক হোংবা পুরকখি। হৌজিক্তি মশান্না অসিদগী শান্নরোই কয়ানা স্পোর্টস কোটাদা রেলৱেস অমসুং ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা ঙম্লে। মসিগী মথক্তা করিগুম্বা হন্দক এৱার্দ অসি ফঙবা তারবদি অমুক্কা হেন্না স্পোর্টস অসি লৈবাক অসিদা অমুকা হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবা ঙমগনি থাজে।

ব্রিজ শান্নরোই জুরা অসিনা হৌখিবা ২০১৬ তা সিওলদা পাঙথোকখিবা এসিয়া-পেসেফিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুবু মখোয়গী শান্নবগী কেরিয়রদা খ্বাইদগী মীয়াম্না শকখঙনখিবা অসি সিওলগী ইভেন্ট অদুগী মতুং চহী ২ লৈরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা চাইনাগী লিক্সিন য়াঙ অমসুং গাঙ চেঙগী জুরাবু রাউন্দ ৫ লোয়বা ফাওবা পূন্না পোইন্ট ৩৭৮ স্কোর তৌদুনা চাইনাগী জুরা অসিবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অসিনা ওইরি।

ঙনলিঙৈদা মীওই কয়ানা ব্রিজ মশান্না অসি গেমব্লিং মখল অমনি খন্দুনা হন্থনা খনবিখি। তশেংনমক্কীদি মশান্না অসি মেন্টেল গেম অমনি। নোমিনেসন অসিনা বর্ধান কেরিয়রদা কাউঙল্লারোইদবা মীকূপ অমা ওইরগনি। মহাক্না হৌজিক মশান্না অসিদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা তাকপী তম্বদুনা কোচিংগী কেরিয়রদা চঙশিনবা পাল্লি।

হৌজিক্তি লৈবাক অসিদা হৈথোয় শীংথোয়রবা শান্নরোই কয়া থোলকপা ঙম্লে। মসিমক ঐখোয়না এসিয়ান গেমসতা অহানবা ওইনা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অদুদা গোল্ড মেদল ১ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ২ লৌখিবা অদুনা ময়েক শেংনা তাক্লি। এৱার্দ অসিগীদমক নোমিনেট তৌরকখিবা অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা একাদেমি হাঙনবগীদমম পীবিনবা হায়জখিবা অদু অয়াবা পীক্লগনি খল্লদুনা বর্ধাননা হায়, একাদেমি হাঙদোক্লবা হোৎনরবসু মরিলৈন্নবশিংনা হৌজিক ফাওবা ক্লিয়ারেন্স পীদনা লৈরি। একাদেমিগী এপ্লিকেসন অসি চহী ২ রোম পেন্দিং লৈরবনি অদুমকপু গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা অয়াবা পীরক্কনি হায়না থাজে।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা মশান্না অসিনা ওইরক্লিবা মওংদা অপেনবা পোক্লদুনা হায়, ফিভম অসি নোংমা খক্তংদা ওইখিবা নত্তে। মসি তানবা হোৎনবদু ঐখোয়না চহী ২০ হেন্না অৱাবা কয়া মায়োক্লখিদুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা এৱার্দ অসি ফঙল্লবা তারবদি লৈবাক অসিদা শুংশোয় শোয়দনা টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোই কয়া থোলকপা ঙমগনি হায়না বর্ধাননা ফোঙদোকখি।

# জর্ম্মনগী ৱুমেন'স বুন্দেসলিগা মে ২৯ দগী মখা চথরগনি

ফ্রাঙ্কফুর্ট, মে ২১ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চ থাদগী সিজন মখা চথবা ঙমদনা লাকখিবা জর্ম্মন ৱুমেন'স বুন্দেসলিগা ২০১৯-২০ সিজন মে ২৯ দগী অমুক মখা চথরগনি হায়না জর্ম্মন ফুটবোল এসোসিয়েসননা লাউথোকখ্রে।

জর্ম্মন ফুটবোল এসোসিয়েসননা হায়, লৌরিবা ৱারেপ অসি লোকেল হেলঠ ওথোরিটিনা স্পোটিং ইভেন্টশিং পাঙথোকপদা অয়াবা পীখিবা অদুগী মতুং ইন্না লৌবা ৱারেপনি। লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিম খুদিংমক্না সিজন অসিবু মখা চথবদা অমত্তা ওইবগী ৱাখলোন লৈবা অদু নুংঙাইবা পোকই। ৱুমেন বুন্দেসলিগানা শান্নবুংদা অমুক হলকপা অসিনা সোসাইটিদা ফুটবোলবু হান্নগী মতৌদা অমুক হলকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। লীগ অসিনা ইন্টরনেস্নেল ৱুমেন ফুটবোলবুসু অমুক হলকপদা মতেং পাঙলগনি হায়খি। লীগ অসি টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথবনি লোয়ননা রাউন্দ ১৬ শান্নখ্রবা মতুং হৌখিবা মার্চ ১৬ তগী লেপ্তুনা লাকখিবনি।

# ষ্টোনিয়া মৈষ্ট্রিলিগাদা টাল্লিনা কালেভ অমসুং ট্রান্স দ্রো চৎখ্রে

টাল্লিন, মে ২১ (এজেন্সি)ঃ

ষ্টোনিয়াগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা মৈষ্ট্রিলিগাগী লেপ্তুনা লৈরিব ২০২০-২১ গী সিজন হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টাল্লিনা কালেভ অমসুং ট্রান্স দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্লোরা অমসুং টমিকাসু গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

লীগ অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মনুং চন্না কাদরিয়োরু ষ্টাদিয়োনদা টাল্লিনা কালেভগী হোম মেটচ ওইনা ট্রান্সকা শান্নখিবা মেটচতা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী মিনিট ৩৮ চৎপদা ভিজিটর ট্রান্সকী এস তোনকরানা গোল একাউন্দ হাঙদুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৬৮ চৎপদা য়ূম্বু টাল্লিনা কালেভকী কালজুমেনা পেনাল্টিতা গোল ওন্থোক্লগা পাঙ্গল মান্নগী গোল অদু চন্দুনা ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা লিকোগ এরিনাদা শান্নখিবা মেটচতা ফ্লোরা অমদি টামিকা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। মেটচ অসিদা ফ্লোরাগী ক্রাইদাদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# কোষ্টা রিকা প্রিমেরা দিভিজনদা গ্রিসিয়া, গাওপাইলস, জিকারাল অমসুং দিপোটিভো সাপ্রিসা মায় পাকখ্রে



সান সোজ, মে ২১ (এজেন্সি)ঃ

য়ুরোপ্তা জর্ম্মনগী বুন্দেসলিগানা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লেপ্তুনা লৈরুবা ফুটবোল সিজন মখা চথবা হৌখ্রবা মতুংদা অমেরিকা কন্তিন্টেদসু কোষ্টা রিকাগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা প্রিমেরা দিভিজননা হৌখিবা য়ুমজকৈশা নুমিৎতা মার্চ ১৫ দগী লেপ্তুনা লাকখিবা সিজন মখা চথবা হৌখ্রবা মতুংদা ঙসি শান্নখিবা ১৬ শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ম্যুনিসিপাল গ্রিসিয়া, সান্তোস দি গাওপাইলস, জিকারাল অমসুং দিপোটিভো সাপ্রিসা মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি ষ্টাদিও এলেন রিগজিওনি স্বরেজ ষ্টেদিয়মদা ম্যুনিসিপাল গ্রিসিয়াগী হোম মেটচ ওইনা পিরেজ জেলিদোনগা শান্নখিবদা য়ূম্বুনা ভিজিটরবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ম্যুনিসিপপাল গ্রিসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফতা জে ভ্রাগাসনা চনখি।

টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা মাগী-মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্মদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ূম্বু ম্যুনিসিপাল গ্রিসিয়ানা বোল হেন্না পায়রগা শান্নরকপ্লা য়ূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌন্নবা হোৎনরক্তুনা ভিজিটর পিরেজ দেলিদোনগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখিবগী মহৈনা মিনিট ৫৩ চৎপদা জে ভ্রাকাসনা গোল একাউন্দ হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবদা ভিজিটর পিরেজ জেলিদোননা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরবসু ঙমদবদগী মেটচ অসি য়ূম্বুনা পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা য়ূম্বুগী ষ্টিফেন, সলাস, সাচেন্স অমদি ভিজিটরগী অসককুরাদা য়োলো কার্দ বুক তৌখি অদুগা ভিজিটরগী গিববোন্সদা মেটচকী মিনিট ৭৭ দা দাইরেক্ট রেদ কাদ বুক তৌবদগী মেটচকী মপালদা থোককখি।

ষ্টাদিও জোর্জ হর্নাল কুতি মোনগীদা লাও য়ুনিভর্সিটারিয়োসগী হোম মেটচ ওইনা সান্তোস দি গোপাইলসগা শান্নখিবা মেটচতা ভিজিটর সান্তোস দি গোপাইলনা য়ূম্বু লাও য়ুনিভর্সিটিরিয়োসবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী মিনিট ২৭ চৎপদা লাও য়ুনিভসিটরিয়োসকী ঐচ ফিনরনা গোল একাউন্দ হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু ভিজিটর সান্তোস দি গোপাইলগী জে মাদ্রিগালনা মিনিট ৩৪ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-১ দা মান্না লৈননখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৬৩ চৎপদা য়ূম্বু লাও য়ুনিভসিটরিয়োসগী জে ফলাসনা অওল গোল অমা চনবীদুনা ভিজিটরনা ২-১ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনিট ৮ কান্নরগা মিনিট ৭১ চৎপদা জে ইসনা সান্তোস দি গোপাইলগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকখি। মেটচ অসিদা ভিজিটর সান্তোস দি গোপাইলগী ফোরবিস অমসুং লোপেজদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ষ্টাদিও কালোস উগালদি অভারেস ষ্টেদিয়মদা সান কালোসকী হোম মেটচ ওইনা জিকারালগা শান্নখিবা মেটচতা ভিজিটর জিকারালনা সান কালোসপু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৫৩ চৎপদা ভিজিটর জিকারালগী জে মোন্তিনেগ্রোনা মেটচকী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা য়ূম্বুদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা য়ূম্বু সান কালোসগী অরবোইনিদা মিনিট ২৭ চৎপদা দাইরেক্ট রেদ কাদ বুক তৌবদগী মেটচকী মপালদা থোককখি অদুগা টিম অসিগী মাটিনেস অমসুং ভিজিটর জিকারালগী ফজারদো অমসুং গুইটিরেজদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

লিকাদো সাপ্রিসা আইমাদা শান্নখিবা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ূম্বু দিপোরটিভো সাপ্রিসানা ভিজিটর হেরিদিয়ানোবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা য়ূম্বু দিপোরটিভো সপ্রিসাগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনিট ৮ চৎপদা বরান্তিনা চনখি। মেটচ অসিদা য়ূম্বু সাপ্রিসাগী বালকো, বলানোস অমসুং উগালদে অদুগা ভিজিটর হিরিদিয়ানোগী টোরিজ অমসুং গ্রানদোদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ষ্টাদিও ইলাদিও রোজবাল কোদিরোদা গৌদালুপিগী হোম মেটচ ওইনা লিমোনগা শান্নখিবা মেটচতা গৌদালুপিনা লিমোনবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অঙনবা মিনিট ৯ চৎপদা জি কাম্পোসনা চনখি অদুগা ভিজিটর লিমোনগী এস হার্লিস দল্ল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মিনিট ৪৬ চৎপদা মপাল থোককখি। অদুগা হারিস অমসুং য়ূম্বু গৌদালুপিগী মোরিলো অমসুং লোটিকেসতা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ষ্টাদিও জোর্জ রাফেলফিলো মির্জদা শান্নখিবা মেটচতনা অলাজুলেন্সনা য়ূম্বু কর্টাগিনিসপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু ফ্লোরেসনা মিনিট ৩২ অমসুং লোপেসনা মিনিট ৬২ দা চনখি। মেটচ অসিদা য়ূম্বু কারটাগিনেসকী ভনিগাস, অগুইলি, অরায়া অমসুং ভিজিটর অলাজুলেন্সগী দাইজতা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

**Costa Rica Primera División clausura - Table**

| | Team | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Deportivo Saprissa | 16 | 11 | 3 | 2 | 30 | 14 | 16 | 36 |
| 2 | LD Alajuelense | 16 | 9 | 5 | 2 | 33 | 16 | 17 | 32 |
| 3 | Club Sport Herediano | 16 | 6 | 8 | 2 | 27 | 16 | 11 | 26 |
| 4 | ADR Jicaral | 16 | 7 | 4 | 5 | 20 | 17 | 3 | 25 |
| 5 | Guadalupe FC | 16 | 6 | 6 | 4 | 21 | 18 | 3 | 24 |
| 6 | C.S. Cartagines | 16 | 6 | 4 | 6 | 22 | 27 | -5 | 22 |
| 7 | Deportiva San Carlos | 16 | 5 | 5 | 6 | 29 | 29 | 0 | 20 |
| 8 | Grecia | 16 | 5 | 3 | 8 | 21 | 28 | -7 | 18 |
| 9 | Santos de Guapiles | 16 | 4 | 5 | 7 | 25 | 29 | -4 | 17 |
| 10 | Perez Zeledon | 16 | 4 | 4 | 8 | 19 | 27 | -8 | 16 |
| 11 | Limon | 16 | 4 | 2 | 10 | 14 | 19 | -5 | 14 |
| 12 | La U Universitarios | 16 | 3 | 3 | 10 | 18 | 39 | -21 | 12 |

# চেলশি ফুটবোল ক্লবনা ওলিভিয়র জিরুদ অমসুং ৱিলি কবাল্লিরোগী কন্ট্রেক্ট ২০২১ ফাওবা শাঙদোকখ্রে



লন্দন, মে ২১ (এজেন্সি)ঃ

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব চেলশি ফুটবেল ক্লবনা ফ্রান্স ইন্টরনেস্নেল ষ্ট্রাইক্কর ওলিভিয়র জিরুদ অমসুং অজেন্তাইম গোল কিপ্পর ৱিলি কবাল্লিরোগী কন্ট্রেক্ট ২০২০-২১ সিজন ফাওবা শাঙদোক্লে হায়না প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অসিনা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ফ্রান্স ইন্টরনেস্নেল জিরুদ অসি ক্লব অসিগী মেনেজর ওইরিবা ফ্রেঙ্ক লেমপার্দকী প্লানদা অমুক য়াওদুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা শান্নবা লেপ্পিৱঙৈ মমাঙদা হৌখিবা মার্চ থ্াদা ইভরতোনবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখিবা অদুদা গোল চনবা ঙমখি। ষ্ট্রাইক্কর অসি সিজন অসিগী লোয়শিনলকপদা মহাক্কী কন্ট্রেক্ট মতম লোয়রবনি অদুবু লন্দনগী ক্লব অসিনা চহী ১ গা অমুক শাঙদোকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা জিরুদনা হায়, ঐহাক্কী শান্নবগী কেরিয়রদদা চেলশিগা অমুক মখা চৎমিনখিগনি খনবদা নুংঙাইবা পোকই লোয়ননা শান্নবুংদা অমুক হলক্তুনা ঐগী টিমমেটশিংদা ফুটবোলগী নুংঙাইবা অদু ফঙগদবগী মতম অদু ঙাইবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকখি।

হান্নগী আর্সনেলগী ষ্ট্রাইক্কর ওইরম্বা জিরুদ অসি লেমপার্দকী অহানবা চোইজ ওইনা তামিঅব্রহাম ওইখিবনা চহী অসিগী জনুৱারী ট্রান্সফর ৱিন্দোদা য়ুরো ২০২০গী ফ্রান্সকী স্কৱাদতা য়াওনবগীদমক ক্লব থাদোক্লবা হোৎনখিবনি। অদুমকপু জিরুদনা মেটচ তোক্তিঙৈগী চেলশিগী অরোয়বা মেটচ ৩ দা ষ্ট্রাটিং এলবেন ফঙখিবতা নৎতনা ফেব্রুৱারী থাদা টোতেনহামবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখিবা অদুদা গোল চনবা ঙমখি।

জিরুদনা কন্ট্রেক্ট শাঙদোকপা অসিদা ক্লবগী মেনেজর ফ্রেঙ্ক লেমপার্দনা হায়, ঐনা চেলশিদা অমুক হলকপা মতমদা ওলিভিয়র জিরুদ অসি ক্লব অসিগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইদুনা লৈরমখি। মহাক্কী মগুনশিংনা ঐখোয়গী টিমগী স্কৱাদতা অচৌবা পাঙ্গল অমা হাপ্পা ঙম্লগনি। মতম শাঙনা লীগ অসিদা শরুক য়ারকপনা মহাক্কী এক্সপ্রিয়েনসশিং অদু স্কৱাদ অসিদা য়াওরিবা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা তমিজনিঙাই ওইরি। ক্লব অসিগীদমক মহাক মথংগী সিজন ফাওবা শান্নরগনি খনবদা অপেনবা পোকই হায়না মেনেজর অসিনা ফোঙদোকখি।

জিরুদ ২০০৫দা ফ্রান্সকী সেকেন্দ টয়র ক্লব গ্রিনোভেলদগী ফুটবোলগী কেরিয়রদা খোঙদাবা হৌখি। ২০০৭ অমসুং ২০১০ দা ইষ্টর অমসুং টুরসতা লোনদা শান্নরবা মতুং ২০১১-১২ ফাওবা লীগ ৱানগী মোন্তপিলিয়রদা মেটচ ৭৩ দা গোল ৩৩ চনখি। ২০১২ তা অসর্নেলদা শান্নদুনা ২০১৮ ফাওবদা মেটচ ১৮০ দা গোল ৭৩ চনখ্রবা মতুং ২০১৮দগী চেলশিদা য়াওদনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ ৪৯ শান্নখ্রে অদুগা ফ্রান্স নেস্নেল টিমগীদমক ২০১১ দগী হৌজিক ফাওবা অপূনবা মেটচ ৯৭ শান্নখিবদা গোল ৩৯ চনখি লোয়ননা ২০১৬ দা পাঙথোকখিবা য়ুরো কপতা ফ্রান্সনা রন্নস অপ তাখি অদুগা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱাল্ড কপতা ফান্সনা ৱিন্নর ওইখিবা অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি।

অজেন্তাইল ইন্টরনেস্নেল গোল কিপ্পর ৱিল্লি কবালিরোসসু লন্দনগী ক্লব অসিদা কন্ট্রেক্ট শাঙদোকখিবদা ক্লব অসিগী মেনেজর লেমপার্দনা হায়, মহাক্কী এক্সপ্রিয়েন্সশিংনা ঐখোয়কী টিমবু লাক্কদৌরিবা সিজনদা মপাঙ্গল কনবা স্কৱাদ অমা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি। ভোকা জুনির্য়রদা শান্নবা হৌরকখিবা কবাল্লিরো স্পেনদা চহী ১০ হেন্না লালিগাদা শান্নরন্নবা মতুং ২০১৪ দা প্রেমিয়র লীগকী মেঞ্চেষ্টর সিটিদা ২০১৭ ফাওবা শান্নখি অদুগা ২০১৭দগী চেলশিদা খুৎয়েক পীনখি। অজেন্তিনা নেস্নেল টিমগী মেটচ ৫ শান্নখ্রে।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com